## ভোট লিশীং ৩...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা আই এন সীগী মীরেপ ওইনবগীদমক বদ্রুর রহমননা মহাককী মীরেপ চে এ আর ওদা পীশিনখি। লোয়ননা মীরেপ চে পীশিল্লবা মতুংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসনা শোয়দনা কাগনি খল্লি। করিগুন্সা মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি এদ্যুকেসন অমদি লম্বী থোংদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং হান্না পায়খৎকনি হায়খি। পনবা য়াবদি ৪০-জিরিবাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইনবগীদমক ঙরাং বি জে পিগী এন বুধচন্দ্র অমদি এন পি পিগী এম কে অবাজ খানসু মীরেপ চে পীশিনখ্রবনি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 85.839791 |
| US Dollar | 75.076736 |
| British Pound | 101.893086 |
| Australian Dollar | 54.064064 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.808956 |
| Japanese Yen | 0.648315 |
| Malaysian Ringgit | 17.945078 |
| Singapore Dollar | 55.973865 |
| South Korean Won | 0.062802 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.020463 |
| Thai Baht | 2.299560 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 4969.00 |
| Chennai | – | Rs | 4995.00 |
| Delhi | – | Rs | 4954.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 4969.00 |

## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTo 31/12/21**
VALID FROM24/12/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI
9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK. UPTODATE**
Timing:6am to 10am
Home delivery no:9366471778, 8974087390, 8787632782

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto20/12/021**
Valid from 03/12/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery & Booking Contact numbers
8132036940, 8414824977, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

**KHUMBONG INDANE**
**BOOKING UPTO 20-12-21**
Valid from 18-12-21
Only home delivery within 4 days
Office no.8794313865
Home delivery contact no.9612023095
Whatsapp no.7005013837
Time 7.30am to 11.am

**HIYANGTHANG INDANE.**
**BOOKING 27-12-21.**
Valid.24-12-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 20/01/2022
**BOOKING UPTO:21/01/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366365769)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 25/12/2021**
Valid from 03/12/2021

# থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস মীরেপ অনীগী মরক্তা অৱাই অখুম তৌনরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা ৫- থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ অমসুং কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা সেরাম নেকেন অনীগী মরক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিগী মীরেপনা মহাক্কী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌরকপদা লোয়নগদবা এফিদেভিটতা মহাক্কী মথক্তা পন্দুনা লৈবা ক্রিমিনেল কেসশিং লোৎশিনদুনা থম্লে হায়বগা লোয়ননা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মায়কৈদগীদি ইলেক্সনগী নোমিনেসন ফাইল তৌবদা লৈরিবা বি জে পিগী কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা ক্রিমিনেল কেসশিং ফোঙদোক্তনা নমশিল্লগা থম্বা লৈতে হায়রদুনা কেন্দিদেট অনীগী মরক্তা অৱাই অখউম তৌনখ্রে।

ঙসি নুংথিল সঞ্জেনথোংদা লৈবা টি ঐচ বিশ্বাজিৎকী ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, কোংগ্রেস কুম্বা য়াম্না চাওনা লৈরিবা পার্টি অমগী কেন্দিদেট অমনা তৌরিবা অসি য়েংলগদি কোংগ্রেস অসি সিষ্টম লৈত্রে অমসুং ওর্গনাইজ ওইদ্রে হায়বা তাক্লে। ইলেক্সনগী নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবদা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকউ হায়রকপা অসি কনভিক্ট পীরবা নৎত্রগা এফ আই আর লৌখৎলবা কেসশিংবু ফোঙদোক্কদবনি। মসিদা সেরাম নেকেন অসি এ বি সীদগী হৌরগা অমুক হন্না তন্বীবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট অসিগী থৌওং অসিনা পার্টি অসিবু য়াম্না শোত্থবা ওইহল্লক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা সেরাম নেকেননা থোরকপা চেরোল অমদদি মহাক্না লম্বা তৌনগদৌরিবা বি জে পিগী মীরেপ অসিগী মথক্তা লৈবা ক্রিমিনেল কেস ৪বু মহাক্না আর ওদা নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌবা মতমদা লোৎশিন্দুনা থম্লে অমসুং ফোঙদোরক্ত্রে হায়রি।

থৌওং অসি সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীবা গাইদলাইনশিংগী ৱাংমদনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরল্লি।

## ঙরাংসু মীরেপ চেশিং পীশিন্নখি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে পীশিনবগী মতম লোইখ্রবা মতুংদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসি মীরেপ চে পীশিন্নখিবশিংদি ৪২- তেংনৌপল (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিপেন্দেন্টকী টি কে মোসিলপা, এন পি পিগী টি জ ামখোমাং হাওকিপ, ৪৮- মাও (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী এস আলেকজেন্দর মাইখো, ৪৯- তদুবী (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ রোবার্ট তাইলু মরাম, ৪৭ - কারোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি এফকী কোহো সিলে এন্থোনি, বি জে পিগী আর ৱাই জোনাথন তাও, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী দি দি থাইসি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ থাইবা সানিনা মখোয় মখোয়গী মীরেপ চেশিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখি।

নাগা পিপলস ফ্রন্টকী মীরেপ কে এস এন্থোনিগী নোমিনেসন পেপর অদু কে ঐচ ষ্টেনহোপনা প্রপোজর ওইরকখি। বি জে পিগী আর ৱাই জোনাথন তাওনা অনী থোক্না পীশিল্লকখিবা নোমিনেসন পেপরশিংদনা মথংশিংনা পি পি ফিলিপ অমসুং আর এম ইসমেলনা প্রপোজরশিং ওইখি।

মশাগী চহী ৬০ শুরক্লবা আই এন সীগী কেন্দিদেট দি দি থাইসিগী প্রপোজরনা দি দি ঙাওখাইনিনা ওইখি। অদুগা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবা পুরুল অকুৎপা ভিলেজদগী থাইবা শানিগী নোমিনেসন পেপর অদুগী প্রপোজরশিংনা পি এস সাইনি সিমোন, সেভো এমব্রোস টি ঐচ, দব্লিয়ু ষ্টেফেন, ঐচ রোমিও, খোপুনি জিপসন এল, রাইনি দাইহি টাইসিয়া, টি ঐচ খুলে মনা, লিরাজঝো লিওনার্দ অমসুং এস পি থাওভৈনি।

### ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লোই...

*লামায় ১গী মখা...* মীরেপ ওইরিবা ময়াংলম্বম বিনোদনা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি লৌউ-শিংউবদা মপূং ওইবা এ সী অমা ওইনবা সেগমেন্ট অসিগী লৌমী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক ইরিগেসন সিষ্টম শেমগৎ শাগৎপনা অহানবা মীৎয়েং ওইগনি অদুগা লম্বী থোংগী ফীভম ফগৎহনবা য়াওনা অতৈ শোত্থরবা হীরম কয়াদসু ফগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী রিটর্নিং ওফিসরদা মহাক্কী মীরেপ চে পীশিল্লবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

করিগুম্বা মীখল অসিদা মহাক্না মায় পাক্লবদি শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিসু অতৈ এ সীশিংগুম্না মশক থোকপা মফম অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়হন্দনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি হায়খি।

## মণিপুরগী তাঙ্কক ২গী মীখল ফেব্রুৱারী ...

*লামায় ১গী মখা...*আইগী মায়কৈদগী সেক্রেটরি সঞ্জিব কুমার প্রসাদনা অইবা চেরোল অমা থোরকখ্রে। চেরোল অদুগী মতুংইন্না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নরনা লুচিংবা কম্মিসনগী টিম অমনা থা অসিগী ৭ অমসুং ৮দা হকথেংননা মণিপুরদা লাক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি অমসুং ষ্টেট লেভেল ওফিসরশিংগা লোয়ননা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর অমসুং পুলিসকী এস পিশিং অসাম রাইফলসকী দিরেক্টর জেনরেল অমদি লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংগা লোয়ননা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংদসু ইন্টরেক্সন প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লমখিবনি। মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং অমসুং গ্রাউন্দ সিচ্যুএসনশিংসু কম্মিসনগী টিম অদুদা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

মসিগী মথক্তা কম্মিসননা মীখলগা মরী লৈনবা ইনপুটশিং, রিপ্রজেন্টেসন অমসুং মমাঙদা লৈখিবা ফীভমশিং য়াওনা গ্রাউন্দ সিচ্যুএসন পূন্নমক য়েংলবা মতুংদা রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১৫৩গী প্রোভিজন মতুংইন্না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগী ভোট থাদনগদবা নুমিৎশিং শেমদোক শেমজিন তৌরকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎপা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী লূপশিংনা অহানবা ফেজগী মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা তারে। নুমিৎ অসিদি লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্লগদবনা অতোপ্পা নুমিৎ অমদা হোংদোকপীয়ু হায়বগী ৱাফমশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্লমখিবা ঈ সী আইগী টিম অদুনা ওল মণিপুর খৃষ্টিয়ান ওর্গনাইজেসনগী মীহুৎশিংগসু হকথেংননা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানরমখিবনি।

অমরোমদা, তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী নিংথৌকাবা অমসুং শগোলশেন নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোকপা পাউগী মীফমশিংগী মখা তারকপদা ঙসিসু সী ঈ ও, মণিপুর রাজেস অগ্রৱালনা পাউমীশিংগা উনদুনা মীখল অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, উখ্রুল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন ৮৩গী প্রিসাইদিং ওফিসরশিং ঈ ভি এম/ভিভিপেট মেছিনশিংগা লোয়ননা এয়রলিফ্ট তৌনবা মশক খঙদোক্লে হায়রি।

সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগী এয়রলিফ্ট তৌগনি হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট মরি অসিগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী পোল্লিং ষ্টেসন ৩০, চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ২০, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ১৬ অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকীনা পোল্লিং ষ্টেসন ১৭নি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট ৪ অসিগী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৩গী প্রিসাইদিং ওফিসরশিং অমসুং পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা শীজিন্নবা ঈ ভি এম/ভিভিপেট মেছিনশিং এয়রলিফ্ট তৌবগী মথক্তা ইমর্জেন্সি/কেজুএলটিগী থৌদোকশিং মায়োক্নরকপদা শীজিন্ননবা এয়র এম্বুলেন্স অমসু দিপ্লোই তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

সী ঈ ও, মণিপুরনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কম্মিসনগী মায়কৈদগী রিভিয়ু তৌরবা মতুংদা চীফ সেক্রেটরিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নর ওফ টেক্সেস অমসুং কম্মিস্নর (এক্সাইজ) পুরক্লিবা মীওইশিং শিন্দোক্লবা পীখিবা দিরেক্সন অমসুং লোয়শঙ অনী অসিগী কম্মিস্নরশিং ওইনা থবক পুহনগদবা ওফিসরশিংগী পেনেল অমা পীরকউ হায়বদগী পীরকখিবা পেনেললিষ্টশিং অদুগী মনুংদগী দেভেস দেবাল অমসুং পি কে ঝাবু মথংশিংনা কম্মিস্নর (টেক্সেস) অমসুং কম্মিস্নর (এক্সাইজ) ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবদা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী মীখল অসিদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং য়াওনা নুপী ঙাক্তনা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ১৩০, চুড়াচান্দপুর ১১০, থৌবাল ৭১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৫৩, বিষ্ণুপুর ৫০, উখ্রুল ৪৫, তমেংলোং ৩৩, চান্দেল ২০, কাংপোকপী ৯, জিরিবাম ৫ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকীনা পোল্লিং ষ্টেসন ৩নি হায়রি। হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা নুপী ঙাক্তনা মীখলগী মথৌ পাঙথোকপগী মথক্তা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ১১৫সু হাংদোক্লে হায়খি।

অদুগা মণিপুরগী মীখল অসিগীদমক হাপ্লকখিবা জেনরেল ওবজার্ভর ২০, পুলিস ওবজার্ভর ১১, এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভর ২০ অমসুং স্পেসল ওবজার্ভর ৩গী মনুংদগী অহানবা ফেজদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮গী ওবজার্ভর পূন্নমক হৌজিক থুংলদুনা লৈবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর/পুলিসকী এস পিশিংগা মীটিং পাঙথোকপা হৌরে হায়খি।

স্পেসল ওবজার্ভর ৩গী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদগী খরদা মীটিংশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা মীখল অসিগীদমক শেম শাবগী পায়খৎলক্লিবা থবকশিং য়েংশিনবা হৌরে হায়খি।

লোয়ননা অপূনবা লাইসেন্স নোংমৈ ২২,৯৫৭কী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা নোংমৈ ১৭,৯৪৯ হায়বদি চাদা ৮০.১২গী চাংদা দিপোজিৎ তৌনরক্লে হায়বা ৱাফমসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ মেনেজমেন্টগা মরী লৈননা সী ঈ ওনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা অহানবা দোজগী ভেক্সিন কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং চাদা ৬৯ য়ৌরে। অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা চাদা ৫৩.৩৯ য়ৌরে। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পর্সনেল ২১,৮১৭ লোম ত্রেনিং তৌবা লোইবগা লোয়ননা মপূং ফানা কোভিদ ভেক্সিনশিং কাপথোক্লে।

পোল্লিং পার্টিশিংগী মরক্তা মীওই ৪,৭৫১দা প্রিকোস্নরি দোজশিংসু কাপ্লে। মীখল অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পুলিস পর্সনেল ৯,৫০০দা প্রিকোস্নরি দোজ য়াওনা কোভিদ ভেক্সিনশিং কাপথোক্লে। মখোয়গী মনুংদা অহানবা দোজ গী হীদাক কাপথোক্লবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মশীংনা চাদা ৯৮.৭নি অদুগা সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবা পর্সনেলশিংগী মশীংনা চাদা ৮৪.৫নি হায়খি।

মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা মীওই খুদিংমক্না সেকেন্দ দোজ কাপথোকখিবা নুমিৎ ৯০নি শুরবদি প্রিকোস্নরি দোজশিং কাপথোক্লগনি হায়রি। অদুগা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদবা ওফিসল পূন্নমক ভোট থাদনগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈগী মমাঙদা কোভিদ ভেক্সিন মপূং ফানা লোইনা কাপথোক্কনি। পোল্লিং ষ্টেসন পূন্নমক্তা থর্মেল স্ক্রিনিং পাঙথোক্কনি। অদুগা হেন্দ সেনিটাইজর, পি পি ঈ কিটস, হেন্দ গ্লোব অমসুং মাস্কনচিংবা পোৎলমশিং ভোট থাদনগদবা পোল্লিং ষ্টেসন পূন্নমক্তা ফংহনগনি হায়খি।

ভোট থাদবা লাকপা ভোটরশিংদা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্তুনা চৎহন্নবগীদমক আশা/ভোলন্টিয়রশিং পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ পাঙথোকহনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীখল অসিগা মরী লৈননা ২৪ x ৭ মথৌ পাঙথোক্কদবা মীদিয়া সেল অমা লৈরে। সেল অসিনা কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা কেন্দিদেটশিংনা অরানবা পাউ শন্দোরকপা নৎত্রগা অকনবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নরকপনচিংবা তৌরকপদা মতিক চাবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক সোসল মীদিয়াবু মোনিটরিং তৌরি। মীদিয়া সেল অসিনা ফংবা রিপোর্টশিং নুমিৎ খুদিংগী সী ঈ ও, মণিপুরদা সবমিট তৌগনি হায়রি।

ইলেক্সনগা মরী লৈননা পেদ ন্যুজনি হায়দুনা চিংনবা কেসশিংগী মতাংদসু মীদিয়া সেল অসিনা কুপ্পা য়েংশিনবগা লোয়ননা কেন্দিদেট অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী সোসল মীদিয়া পেজশিংবুসু মতম চানা মোনিটর তৌরি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## *ঐচ আই ভিগী রোল মোদেল...*

*লামায় ১গী মখা...*

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদু ঙসি নোংমগী ওইনা পোজিটিভ স্পিকর অমসুং কম্যুনিটি সিষ্টম ষ্ট্রেঙথনিং ইন ইম্ফাল হায়বা টোপিকতা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোইরবা মতুংদা পাঙথোকখিবনি।

ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা হাওবম রোসিতাগী মায়কৈদগী ঐচ আই ভিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংনা চাং নাইনা হেল্থ চেক-অপ তৌবগী মথৌ তাই অমসুং এ আর টি শীজিন্নদুনা হকচাং ফনা লৈনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুর নেটৱার্ক ওফ পোজিটিভ পিপলগী প্রসিদেন্ট লৈমপোকপম দিপক, রিজনেল টেক্নিকেল হেল্থ স্পেসিএলিষ্ট (এদোলেসেন্ট হেল্থ) নিংথৌজম রোসননসু পোজিটিভ লিভিং, কম্যুনিটি মোবিলাইজেসন প্রোসেস অমসুং ইভিদেন্স জেনরেসননচিংবগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ঐচ আই ভিগা লোয়ননা হিংলিবা অমসুং লায়না অসিনা শোকহল্লবা এদোলেসেন্ট ২০না শরুক য়াখি। ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি অমসুং প্রোজেক্ট এসিলেরেট-ও ভি সী অমসুং ৱাই আর জি ক্যেরগা পূন্না শিনমিন্নবনি।

## ঙমখৈগী মতাংদা এসেমব্লিদা চপ ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌবাল মিনি সেক্রেটরিএটতা পাউমীশিংদা হায়, চীংতম নুংশিননা লৈগনি। অহল ওইরবশিংগী পেন্সন স্কিম ফংদ্রিবশিং, মপুরোইবা কায়নখ্রবশিংগী ফংফম থোকপা ফংদ্রিবশিং পূম্নমক নুপী অমা ওইনা এসেমব্লিদা চপ চানা পুখৎতুনা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

লোয়ননা পঞ্চায়ট অমদি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংদা নুপীগী রিজার্ভেসন ফংহল্লিবা অসিগুম্না এসেমব্লি ইলেক্সন্দসু ফংহন্নবা হোৎনগনি। লায়রবশিংনা ফংজগদবা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগী খুদোংচাবশিং ফংদনা লৈরিবা অসি মহাক্না নুপী অমা ওইনা থৌদাং লৌগনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মওং তাদবনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তম্নরক্লিবা অসিদা লায়রবা প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তম্বা ঙমজদবা মহৈরোয়শিংগীদমক এসেমব্লিদা পুখৎতুনা খন্নহনগনি অমসুং শোত্থরবা মণিপুর কল্লমগনি হায়খি।

## লুপা লাখ ১০গী মথক্তা ত্রাঞ্জেক্সন ...

*লামায় ১গী মখা...*অমসুং এসিষ্টেন্ট ইলেক্সন ওবজার্ভরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা অসিগুম্বা মখলগী চিংননীংঙাই ওইবা শেল লৌথোক লৌশিনগী মতাংদা কো-ওর্দিনেট তৌননবগীদমক ৱাটসএপ গ্রুপ অমা শেম্নবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্সনদা মীরেপ অমনা চাদিং তৌবা য়াবা শেলগী মশীং লুপা লাখ ২৮দা রিভাইস তৌখ্রবনি।

ঙসিগী রিভিয়ু মীটিং অদুদা বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর এল বিক্রম, এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর বিষ্ণুপুর, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রিটর্নিং ওফিসরশিং, ইলেক্সন এক্সপেন্দিচর মোনিটরিংগী দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসর, এসিষ্টেন্ট এক্সপেন্দিচর ওবজার্ভরশিং অমসুং ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (এস বি আই), য়ুনাইটেদ কম্মর্সিএল বেঙ্ক, মণিপুর রুরেল বেঙ্ক, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক, সেন্ট্রেল বেঙ্ক, এগজিস বেঙ্ক, ঐচ দি এফ সী অমসুং পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

## বি জে পিগী মীরেপশিং ৱিথদ্রো তৌরোই

*লামায় ১গী মখা...* হায়বা এজেন্দাদা মীখল থেংনগনি। হৌজিক কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ মায়োক্নরিবনি। সেন্টরদসু, মণিপুরদসু বি জে পিগী লৈঙাক্না পেন্দমিক মনুংদা ৱারবসু ৱানা থেংনদুনা দিভেলপমেন্ট তৌরকপনি। মরম অসিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনী সিট ৪০গী মথক্তা কাদুনা পার্টি অসিখক্তগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

হৌজিক কোংগ্রেসনা তৌরিবা প্রোপেগন্দা অসিদি মণিপুরগী মীয়াম্না থাজগদবা নত্তে। কোংগ্রেসকা লেফ্ট পার্টিশিংগনা পূনশিন্দুনা শেম্লিবা মণিপুর সেক্যুলর প্রোগ্রেসিভ এলাইএন্স অসি বি জে পিগী ৱাখল্লোন্দদি সেক্যুলর হায়বা নত্তে মণিপুর সিক এন্দ রিগেষ্ট এলাইএন্স হায়বনি হায়না লৌই। মণিপুরদা শোল্লবা অমসুং মীনা পাম্নদ্রবা এলাইএন্স হায়বনি হায়রবসু কায়দে। এলাইএন্স অসি বি জে পিনা লম্বানি হায়না লৌদে। লাইশঙদা চঙলগা ৱাশক্লবগী মহুত্তা মীয়ামগী মরক্তা চঙদুনা বি জে পি লৈঙাক্কী অফবা থবক হায়বীগদবনি। মদু নৎত্রগনা মখোয়না তৌরম্বা অফবা থবক হায়রম্বনা হেন্না ফৈ।

কোংগ্রেসকী মতমদা মখোয়না তৌরম্বা থবক অদুনা উতাংবীগুম্না সী পি আই, সী পি এম, ফোরৱার্দ ব্লোকুম্বদা মতেং লৌদ্রগদি হিংবা ঙমদবা পার্টি ওইরে অমসুং শোল্লে তাকপনি। কোংগ্রেস পার্টিনা লুপ্লদা লেফ্ট পার্টিসু লুপখ্রগনি। মখোয় মশেলগী মরক্তা স্ক্রুটিনি তৌদ্রিঙৈদা থাজদবা কয়া লাকপদগী লাইশঙদা ৱাশক্লরিবনি। কোংগ্রেস পার্টি মরোমদোম লেপ্পা ঙমদ্রবা পার্টি ওইবদগী লেফ্ট পার্টিশিংগা এলাইএন্স শেল্লকপনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা তশেংনা মায়থীরে হায়বসি তাক্লে। মসিদসু নত্তনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌবদা ওএথ কম্মিস্নরগী খূৎয়েক য়াওদবা অসিনা লোথুগাইবদা ভোট পীরক্লোই হায়খি। পাউগী মীফম অদুদা বি জে পিগী ৱাঙাঙলোই সৌবাম নোংপোকঙানবনসু কোংগ্রেস পার্টিগী কেন্দিদেট ওইবীনবা লৈতবদগী মীরেপ ওইবীনবা কৌরি হায়বসি পাউচে কয়াদা ফোঙদোক্লখ্রবনি। মখোয়গী মীলৈত্রবনিনা এপ্লিকেসন কৌবদা লাকখিবা মীওই খরদা মখোয়না কন্ট্রোল তৌবা ঙমজদবা, অচুম অরানসু খঙদনা মতম অমগী মপাঙ্গল কনবা পার্টিনি হায়দুনা চঙলকখিবনি হায়খি।

## ওক্রম ইবোবী য়াওনা মীরেপ ১৫না ...

*লামায় ১গী মখা...* তোঙান তোঙানবা মীরেপ ১৫না মখোয়গী মীরেপ চেশিং মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরশিংদা পীশিন্নখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি মীরেপ চে পীশিনখিবশিংদি থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ওক্রম ইবোবী, বি জে পি এল বসন্ত এলিয়জ ভিম অমসুং জে দি - য়ুগী আই চাওবনি। খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদনা আই এন সীগী মীরেপ ও সূর্য্যকুমার, জে দি - য়ুগী থোকচোম জাদুমনি অমসুং বি জে পিগী কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাংনি। লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবশিংনা বি জে পিগী ৱাই অন্তাস খান অমসুং আই এন সীগী সহিদ অনৱার হুসেননি। অদুগা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবনা বি জে পিগী পাওনম ব্রোজেননি। অদুগা কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ঙসি নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরকখিবশিংনা কক্চীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা এন পি পিগী এম রামেশ্বর, সী পি আইগী ৱাই রোমা, আই এন সীগী ক্ষেত্রিময়ূম কেনেদি অমসুং এন সী পিগী ৱাই নিলচন্দ্রনি। শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ চে পীশিল্লকখিবশিংনা বি জে পিগী এম বিনোদ, ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা জে দি - য়ুকী সিকন্দর আলিনি। মতাংসিদা পনবা য়াবনা, হয়েং ফাওবদা সেকেন্দ ফেজগী মীখলগীদমক মীরেপ চে পীশিনবা য়ারগসু ঙসি ফাওবদা থৌবাল অমসুং কক্চীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মীরেপ চেশিং পীশিন্নরকখিবা অপূনবা কেন্দিদেট মশীং ৩৩ শুখ্রে।

## য়ুক্রেনদা এম বি বি এস পাস তৌরবা মীতৈ মচা ১গী করিয়র হায়...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক্কী মায়কৈদগী নেসনল মেদিকেল কম্মিসননা পীরকখিবা শো কোজ নোটিশ অদুগী পাউখুম মতিক চানা পীখি। লোয়ননা মহৈরোয় অসিগী অপোকপা লোইতোংবম বিমোলচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই অমনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌদুনা মহাক্কী মচানুপাদা নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলনা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীহনবীনবা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়জখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনসু রিট পিটিসন অদু লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা এন এম সীদা থা অমগী মনুংদা মহাক্কী মচানুপাদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীননবা দিরেক্সন পীখি হায়রি।

অদুবু নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্সন অদুগী মতুংইন্না মহৈরোয় এন বিনিন ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীরকপগী মহুত্তা মসিগীদমক পীশিনখিবা চেরোল অদু মহাক্না কুমজা ২০১৪দা মেদিকেল কোর্স তম্নবগীদমক এদমিসন তৌখিবা মতমদা মহাক মশাগী চহী ১৭ শুদ্রি হায়দুনা রিজেক্ট তৌরকখি হায়রি।

এন এম সীনা রিজেক্ট তৌরকপগী মরম পল্লদুনা গ্রেজুএট মেদিকেল এদ্যুকেসন রেগ্যুলেসন্স, ১৯৯৭কী ক্লোজ ৪ (১) গী মতুংইন্না কেন্দিদেট অমনা এম বি বি এস তম্নবা মীং চনবা নৎত্রগা মসিগা মান্নবা মেদিকেল কোর্স তমগে হায়রবদি মহাক্না এদমিসন তৌবা চহী অদুগী দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা মহাক মশাগী চহী ১৭ মপূং ফাগদবনি হায়বা য়াওরি। মরম অদুনা মহাক্তি এম বি বি এস তম্নবগী এদমিসন তৌখিবা মতমদা মশাগী চহী ১৭ শুদে হায়রদুনা মঙোন্দা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীননবা থারকখিবা চেরোল অদু রিজেক্ট তৌরে হায়দুনা খঙহল্লকপনি হায়রি।

নেসনল মেদিকেল কম্মিসনগী মায়কৈদগী ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীবিয়ু হায়জবদা রিজেক্ট তৌরকখিবদগী মহৈরোয় অসিগী অপোকপা মপানা অতোপ্পা রিট পিটিসন অমা রিজেক্ট তৌরকখিবা চেরোল অদুগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা ফাইল তৌখি। অদুগা এন এম সীদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীহনবীনবা অমুক্কা হন্না দিরেক্সন পীবিনবা হায়জখি হায়রি।

হায় কোর্টনসু মহাক্কী অনীশুবা পিটিসন অদু মঙোন্দা এন এম সীনা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীদ্রবদি মহাক্না মায়োক্নরক্কদবা খুদোংচাদবশিং অদুগীদমক য়েংলগা লৌখৎতুনা খন্নখি। লোয়ননা মহৈরোয় অদুগী তুংগী প্রোসপেক্টতা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীদ্রগদি শোকহল্লক্কদবশিংদু য়েংলগা পীননবা খঙহনখি।

অদুম ওইনমক এন এম সীগী মায়কৈদগী পীরক্কদবা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট অদু পীরক্তবগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা দিরেক্সন অদুগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী স্পেসল লিভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২০৪৮৬-২০৪৮৭ ওফ ২০২১ ফাইল তৌখিবনি। অদুগা মেট্রর অসি থা অসিগী ৮দা জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাও অমসুং জষ্টিস বি আর গভাইগী বেঞ্চনা লৌখৎখিবনি।

এপেক্স কোর্টনা মেট্রর অসি খন্নরকপদা এন এম সীগী এস এল পি অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইখিবা এল বিমোলচন্দ্র অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রো, এদভোকেট সয়েদ অহম্মদ মুরতাজা, দেভিদ অহোংশাংবম অমসুং এদভোকেট ওন রেকোর্দ রাজকুমারি বঞ্জুনা লেপখি। অদুগা পিটিস্নর ওইরিবা এন এম সীগী মায়কৈদনা এদভোকেট ওন রেকোর্দ গৌরব শর্ম্মা অমসুং এদভোকেটশিংদা ধাৱন মোহন অমসুং প্রতিক ভতিয়ানা লেপখি।

এপেক্স কোর্টনা মেট্রর অসি খন্নরকপদা এন এম সীগী মায়কৈদা লেপখিবা এ ও আর গৌরব শর্ম্মনা ফোরেন য়ুনিভর্সিটি অমদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট য়াওদনা মীং চল্লুবা রেসপোন্দেন্টগী মচানুপাগী থৌওং অসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা রেগ্যুলেসনগী ওন্ন-তৈনবনি অমসুং রেসপোন্দন্ট ওইরিবা এল বিমোলচন্দ্রগী মচানুপা অসিনা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীবিয়ু হায়জরকপদা মিস-রিপ্রজেন্টেসন তৌরকখিবনা মহাকসু মরাল লৈরে হায়খি। অদুগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীরকখিবা দিরেক্সন অদুদি মহৈরোয় নুপামচা অসিগী তুংগী প্রোসপেক্টতা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীদ্রগদি শোকহল্লক্কনি হায়বদগীনি হায়না সবমিসন তৌখি।

অদুম ওইনমক মহৈরোয় নুপামচা অসিগী অপোকপা এল বিমোলচন্দ্রগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল নামৈরাকপম জোতেন্দ্রোনা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীবিনবগীদমক ফাইল তৌখিবা এপ্লিকেসনদা অশোয়বা অরানবা য়াওখিবদু থৌওইনা তৌগে হায়দুনা তৌখিবা নত্তে। হায় কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুসু নুপামচা অসিনা মহাক্কী মেদিকেল কোর্স মপূং ফানা লোইশিল্লে হায়বদুদা য়েংলগা পীখিবনি হায়বা ৱাফম থমখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এস এল পি অদু দিস্পোজ তৌরদুনা মেদিকেল কোর্স মপূং ফানা লোইশিল্লবা মহৈরোয় অসিগী অপোকপা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এল বিমোলচন্দ্রদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট লৌনবগীদমক পীশিল্লকখিবা এপ্লিকেসন ফোর্মদা অরানবা দিক্লারেসন তৌবগীদমক চয়োল ৮গী মনুংদা মণিপুর লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিদা লুপা লাখ ১০গী শেনফম পীননবা দিরেক্সন পীরকখি।

অদুম ওইনমক নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলগী মায়কৈদগীনা মহৈরোয় অসিদা এপেক্স কোর্টনা ওর্দর অসি পীখিবা থা অসিগী ৮দগী পারগা চয়োল ৮গী মনুংদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীগদবনি হায়বগী ওর্দরসু পীখি। লোয়ননা মহৈরোয় অসিনা মহাক্কী ফোরেন মেদিকেল গাইদেন্স স্ক্রিনিং টেষ্ট মপূং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা চহী অনীগী মতমদি চেরিটেবেল সর্ভিস পীগদবনি হায়বগী দিরেক্সনসু পীরকখি।

ꯀꯤꯡꯗꯝ
KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 ( Govt. of Manipur)
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)
An ISO Certified
ADMISSION OPENS
AVIATION COURSE
(CABIN CREW, GROUND STAFF)
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe



★SPOKEN ENGLISH ★SPOKEN HINDI
(Communication Skills, Public Speaking, Grammar, Vocabulary, Pronunciation, Daily Talks, Interview Techniques etc.)
◆COMPUTER (NIELIT) (1,2,3,6 mths & 1 yr)
(Tally GST, Programming, CCC, DCA)
SPECIAL SPOKEN ENGLISH CLASS only for AIR HOSTESS ASPIRANTS
Time: 10:30-11:50 am
Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience
1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
Multiple Schools & Colleges
2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
3 mths at IT Call Centre as a Trainer
Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 6009124946
HL-B/7441/22 jan to 21 March (alt.)